# গুজরাটতা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৯ য়ৌখ্রে

## কোংগ্রেসনা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিস মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

গুজরাটতা ঙসি পাঙথোকখিবা অনীশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮.৭ য়ৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহমেদবাদতা ভোট থাদখিবগা লোয়ননা মখোঙনা মিটর ১০০ চত্তুনা মীয়ামদা ভোট থাদরুবগী খুদম ওইনা খুৎশাদা তৈবা মুক উৎখ্রে।

নানাপুরাদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা ভোট থাদরম্লবা মতুং দেমোক্রেসিগী কুম্মৈদা শরুক য়াদুনা মীপুম খূদিংমক ভোট থাদবা থোকপীরক্লুবা আপিল তৌখি। তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংদোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৫,০০০ রোমদা ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মীয়াম্না ভোট থাদনখি।

অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা ভোটর লাখ ২.২২না মীরেপ ৮৫১গী মরাইবক লেপকদৌরি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা মীরেপ ৯৩ থাদোরকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা মীরেপ ৯১ থাদোরকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা ভোট থাদরম্লবা মতুং গুজরাটতা রোদ শো পাঙথোক্তুনা মীয়ামগা উনখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিস মনাক্তা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। পুলিসনা কোংগ্রেস ৱার্করশিং অদুবু পতেল চোক মনাক্কী সর্দার পতেল ভবন মনাক্তা থিংদুনা থমখি।

গুজরাটকী চীফ ইলেক্সন ওফিসারনা হায়খি মদুদি, অহমেদবাদকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসতা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়োক্তা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাকখিদব্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লুবা কম্মিসন্না য়েংশিল্লগনি।

দিসেম্বর ৯দা পাঙথোকখিবা গুজরাট লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোটথাদবগী চাং চাদা ৬৮ য়ৌখিবনি।

পুন্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ১৮২ লৈবগী মনুংদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা সিট ৮৯গীদমক ভোট থাদনখি। অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মরুওইবা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লিবা মীওইশিংগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি (রাজকোট ৱেষ্ট), কোংগ্রেসকী শক্তি সিনহা গোহিল (মন্দভি) অমসুং পরেশ ধনানি (অমরেলি) য়াওরি।

মীখল অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগীদমক্তদি য়াম্না লুবা মীখল অমা ওইরি। মীয়াম্না মহাকপু কদাই ফাওবা শৌগৎলিবগে হায়বদু মীখল অসিদগী খঙবা ঙমগদৌরিবনি।

গুজরাটকী ভাবনগর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ভাবনগর ইষ্ট কন্সটিট্যুয়েন্সীদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ১৪ ওইখি। পোল্লিং ষ্টেসন ২০০ লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা বি জে পিগী মীরেপ বিভাবারিবেন বিজয়ভাই দাবেনা কুমজা ২০১২দা ভোট ৮৫,৩৭৫ ফংদুনা মায় পাকখিবনি।

# পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম মমাঙদা ওপোজিসন লীদরশিং উনখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

লাক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ঙসি ওপোজিসন লীদরশিং উনদুনা খন্ন-নৈনখ্রে। দিসেম্বর ১৫দগী হৌরগা জন্যুৱারী ৫ ফাওবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম পাঙথোক্লুবা মতম লেপখ্রবনি।

গুজরাটকী মীখল মমাঙদা মরুওইবা ৱাফম কয়া পুখৎলকপা য়াই হায়না চিংনবদগী লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না নিংথম মীফম মতম চানা পাঙথোক্লে হায়না ওপোজিসন্না মরাল শীদুনা লাকখিবনি।

কোংগ্রেস লূচিংবী সোনিয়া গান্দীনা হায়খি, মতিক চাবা মরম পীদনা নিংথম মীফম মতম চানা পাঙথোক্তবগী থৌওং অসি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবনি।

অমরোমদা, বি জে পিনা হায়খি মদুদি, মীখলগীদমক খল্লগা নিংথম মীফমগী মতম য়ৈথোকখিবনি। মমাঙদসু ষ্টেট খরদা এসেমব্লি মীখল পাঙথোকপা মতমদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম য়ৈথোকপগী থৌদোক কয়ামরুম লৈখ্রে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নিংথম মীফম অসিগা মরী লৈননা মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্কী ওইবা মীফম অমা গভর্ন-মেন্টনা কৌখ্রবনি। নিংথম মীফম অসিদা মপুরোইবগা খাইরবা মুস্লিম নুপীশিংদা মেন্তেনেন্স পীবা অমসুং ট্রান্সজেন্দরশিং তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌওং থিংবা য়াওনা অনৌবা বিল ১৪ পুথোক্লুবা থৌরাং তৌরি।

হায়রিবা বিলশিং অদুগী মনুংদা দি ফাইনান্সল রিজোল্যুসন এন্দ দিপোজিট ইন্স্যুরেন্স বিল; ইন্সোলভেন্সি এন্দ বেংক্রপ্সি কোদ (এমেন্দমেন্ট) বিল; দি রসোগেসি (রেগ্যুলেসন) বিল, ২০১৬; দি ট্রান্সজেন্দর পার্সন্স (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস) বিল, ২০১৬; দি মুস্লিম ৱিমন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়স) বিল, ২০১৭; দি রেপ্রজেন্তেসন ওফ দি পিপল (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৭; দি স্পেসিফিক রিলিফ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৭; মোটোর ভেহিকল (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপ্সন (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৩ য়াওরি।

পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা হাউস অনীমক্না তোঙান তোঙানবা হীরমদা বিল ২৫ পাস তৌনবা পান্দম থমখি। গভর্ণমেন্টকী প্রাইয়রিটি প্রসিদেন্টনা মমাঙদা চৎনহনখ্রবা ওর্দিনান্স মরিগী মহুৎ শীন্নবা বিল পাস তৌবগী ৱাফম য়াওখি। হায়রিবা বিল মরি অদুগী মনুংদা অহুমদি গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি)গা মরী লৈনৈ।

# রাহুলদা কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবগী নোটিস থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

গুজরাটতা লোকল গুজরাটি ন্যুজ চেনেল অমদা ইন্টরভিয়ু পীখিবগীদমক কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্লা চত্তে হায়না ৱাকৎলকখ্রে। রেপ্রজেন্তেসন ওফ পিপল এক্টকী সেক্সন ১২৬ (১) (বি) ঙাক্লা চৎখিদে হায়বগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না রাহুল গান্ধীদা নোটিস থাখি।

থৌওং অদুবু মিদিয়াগী মচিন মেন্নবা হোৎনবনি হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা রন্দিপ সুর্জেৱালানা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসনগী য়াথং মতুং ইন্না গুজরাটকী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার বি বি স্বেননা মিদিয়া চেনেলশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে।

কুমজা ২০১৪দা মীখল পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা নরেন্দ্র মোদিনা টেলিভিজন্দা পীখিবা ইন্টরভিয়ুশিং লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা শন্দোক্তুনা উহনখি। নুমিৎ অদুদা মোদিনা বি জে পিগী সিম্বোল ফাওবা উৎখি। অদুবু ইলেক্সন কম্মিসন্না করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে হায়না সুর্জেৱালানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর পি চিদম্বরমনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী তোঙান তোঙানবা লূচিংবা কয়ানা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইদুনা ৱা ঙাঙখিবা মতমদা খঙশিন্নদনা লৈথোকখিবা ইলেক্সন কম্মিসন্না রাহুল গান্ধীদা নোটিস থাখিবগী থৌওং অদু মীচং-মীখাই নাইবনি হায়না লৌবা য়াই।

রাহুল গান্ধীনা টি ভী চেনেল অমদা ইন্টরভিয়ু পীদুনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্লা চৎখিদবগী মতাংদা দিসেম্বর ১৮ ফাওবগী মমাঙদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না খঙহনখি।

কোংগ্রেসকী লূচিংবা অনন্দ শর্ম্মানা হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমসুং রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েলনা কয়ারক হন্না মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইখিবা মতমদা মখল অমত্তগী এক্সন লৌখৎখিবা লৈতে। ইলেক্সন কম্মিসন্না মীচং-মীখাই নাইবা থৌওং চথুফম থোক্তে।

# কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা ঙসি আধারগী মতাংদা ৱায়েল পীরগনি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং আধারগা মরী লৈনহনবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসনশিংগী মতাংদা জজ মঙানা শাবা সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা হয়েং অরোইবা ৱায়েল পীরগনি।

সেন্টরনা আধার অমদি তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং মরী লৈনহনবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা অতোপ্পা পিটিসন অমগী ৱায়েল এপেক্স কোর্টনা ঙসি রিজার্ব তৌদুনা থমখি।

সেন্টরনা বেঙ্ক একাউন্ট অমদি ফাইনান্সল ট্রাঞ্জেক্সন আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোকহনবা লৈখ্রবনি। মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা আধারগা পান অমদি বেঙ্ক একাউন্টকা লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়না মতম থাখিবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা ৫০,০০০গী মথক্তা ফাইনান্সল ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা নৎত্রগা অনৌবা বেঙ্ক একাউন্ট হাংদোকপা মতমদসু আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই হায়না লাউথোকখি।

আধার নম্বরগা পান অমদি বেঙ্ক একাউন্টকা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতমদা মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে। মসিগী মতুং তারকপদা অমুক হন্না মতম শাংদোকপগী ৱাফম লৈররোই হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ রেভিন্যুনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অমনা ফোঙদোকখি।

বেঙ্ক একাউন্ট, পান অমদি সিম কার্দকা আধারগা লিঙ্ক তৌবগী থবক শোয়দনা চথুগদবনি হায়না য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই)না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

আধারগা লিঙ্ক তৌবগী মতাংদা সোসল মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম শেংদোক্লদুনা হায়খি, আধারগা লিঙ্ক তৌবগী থৌরাং ষ্টে তৌবগী ৱাফম লৈতে। লৈঙাক্কী ৱেলফেয়র প্রোগ্রাম কয়াদা আধার অসি মথৌ তারি। বেঙ্ক একাউন্ট, পান কার্দ অমদি সিম কার্দকা আধারগা লিঙ্ক তৌবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌফম থোকপা অমনি।

আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক কনাগুম্বা মীওই অমবু পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস)কী মখাদা রসন ফংহন্দবা তৌরোইদবনি হায়না য়ু আই দি এ আইনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

রসন কার্দ অমদি আধার লিঙ্ক তৌদে হায়বগীদমক চেঙ পীখিদবনা ঝরখন্দদা নুপীমচা অমা চরা হেনবদগী শিখ্রবা মতুংদা য়ু আই দি এ আইগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। মীয়ামদা আধার পীবগী থৌদাং লৌরিবা য়ু আই দি এ আইনা হায়খি, লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদুগী ইমুংদা আধার কার্দ পীখ্রে। অদুবু রসন কার্দকা লিঙ্ক তৌদে হায়বগীদমক ইমুং অদুদা পি দি এসকী পোৎলম ফংহনখিদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ু আই দি এ আইগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসার (সী ঈ ও) অজয় ভূষণ পান্দেনা হায়খি, আধার কার্দ পায়দ্রবসু মশাগী অতোপ্পা শক্তাক চে লৈবা তারবদি লৈঙাক্লা পীরিবা খুদোংচাবা পুম্নমক মপুং ফানা ফংহনগদবনি।

আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক কনাগুম্বা মীওই অমবু পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি দি এস)কী মখাদা রসন ফংহন্দবা তৌরোইদবনি হায়না য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# সাইক্লোন ওকখিগী মতুং তারকপদা ঙামী ৬০০ থিবা খঙখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪(এজেন্সী):

লৈবাক্কী খা থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তা সাইক্লোন ওকখিনা মরম ওইরগা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকখ্রবা মতুংদা টামিল নাদু অমসুং কেরলাগী ঙামী ৬০০ হেন্না থিবা খঙখিদ্রে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল অদুনা হায়খি, টামিল নাদুগী ঙামী ৪৩৩ অমসুং কেরলাগীনা ১৮৬ হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি।

দিসেম্বর ২দা সাইক্লোন ওকখি য়ৌরকখ্রবা মতুংদা মীওই কয়া থিবা খঙখিদ্রবগে হায়বা ষ্টেট অনীনা চপ চানা পীরকপা লৈত্রি।


সাইক্লোন য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ঙামী কয়া হি তোংদুনা সমুদ্রদা ঙা ফাখি। হৌজিক ফাওবদা কেরলাগী মীওই ৬৩ অমসুং টামিল নাদুদনা মীওই ১৪ সাইক্লোন্না মরম ওইরগা শিখ্রে হায়না কনফর্ম তৌবা লৈখ্রবনি।

সাইক্লোন ওকখিগী মতুং তারকপদা কন্যকুমারী দিষ্ট্রিক্তা হৌজিকসু হি ৬৬ অমদি ঙামী ৭১৩ থিবা খঙদ্রি হায়না মকোক থোংবা দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

কন্যকুমারীগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর সাজন সিংহ চৌৱননা হায়খি, খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ফংবা রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবা হি ৬৬ থিবা ফংদ্রি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ঙামী ৭১৩সু খোঙ্গুল লীবা ফংদ্রি। মহারাষ্ট্র, কর্নাটাকা, লক্ষদ্বিপ, কেরলা অমসুং গুজরাটতা পন্দুনা লৈরিবা ঙামী ২,৪৭৮ টামিল নাদুনা পুরক্লুবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মোনিটরিং কম্মিটিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সাইক্লোন ওকখিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লুপা ক্রোর ১৭০ রোমগী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লম্লে হায়রি। সমুদ্র মপান নক্লা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুম ৪,৪৯৫ মাঙ-তাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লুপা লাখ ৯৩ তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে। অমাঙ-অতা থোকখ্রবা য়ুম ৫৩৭তা তেংবাঙগী শেল পীগদবা ৱাৎলি।

# ইন্দিয়ন নেভিদা আই এন এস কলভরি সবমেরিন খুৎশিন্নখ্রে



মুম্বাই, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা নাইতোম শেমগৎচবা স্কোরপেন ক্লাসকী সবমেরিন 'আই এন এস কলভরি' ঙসি ইন্দিয়ন নেভিদা কম্মিসন তৌখ্রে। মুম্বাইগী নেভেল দোকয়ার্দতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সবমেরিন অদু ইন্দিয়ন নেভিদা খুৎশিন্নখি।

মজগাওন দোকয়ার্দ লিমিটেদনা ফ্রান্সকী দি সী এন এসকা টেক্নিকেল কোলাবোরেসন তৌরগা এটেক সবমেরিন অসি শেমগৎখিবনি। নেভিদা অসিগুম্বা মখলগী মঙা খুৎশিন্নগদবা ৱাৎলি। হন্দক্তা নুমিৎ ১২০ চুপ্পা সমুদ্রদা চাংয়েং তৌখ্রবা মতুংদা আই এন এস কলভরিবু ইন্দিয়ন নেভিদা খুৎশিন্নখিবনি।

আই এন এস কলভরিনা এন্তি সর্ফেস ৱারফেয়র, এন্তি সবমেরিন ইন্টলিজেন্স গেদরিং, মাইন লেয়িং এরিয়া সর্ভিলেন্সনচিংবা মখল কয়াগী মিসন চথবা ঙমই।

ইন্দিয়ন ওসিন্দা লৈবা সার্ক অমগী মমিং লৌরগা সবমেরিন অসিগী মমিং আই এন এস কলভরি হায়না মিংথোন পীখিবনি। খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৬৭কী দিসেম্বর ৮দা কলভরি কম্মিসন তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ইন্দিয়ন নেভিগী গোল্ডল জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা সবমেরিন আর্মদা প্রসিদেন্সিএল কলর এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবনি। ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নেভিগী মকোক এদমিরেল সুনিল লম্বা, অন্ধ্র প্রদেশকী গভর্নর ঈ এস এল নরসিমহন, চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদু, ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দগী ফ্লেগ ওফিস কম্মান্দিং ইন চীফ ভাইস এদমিরেল করম্বির সিংহ অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়া শরুক য়াখি।

অহানবা ওইনা নেভেল কম্মান্দ অমদা থুংলখিবা প্রসিদেন্টপু ইষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দ হেদক্বার্টরসতা গন সেল্যুট পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। আই এন এস সরকার্স পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা গার্দ ওফ ওনর অমা প্রসিদেন্টনা য়েংশিনখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা জৱান ১ মথন্তা শিজখ্রে

জম্মু, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সী):

জম্মুগী আর এস পুরা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং অমদা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা আর্মি জৱান অমা মশা মথন্তা শিজখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৬.৪৫ তাবদা মশা মথন্তা শিজখ্রবা মীওই অদু লান্স নাইক পর্বেস কুমার মিস্রা কৌই। মহাক ১১৮ মিদিয়ম রেজিমেন্টকী রোমিও বেট্টরি কম্পেনিদা লৈবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি দিসেম্বর ৪দগী চথুরকখিবা 'কাময়াব' হায়না মিংথোনবা ওপরেসন অমদা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নাওগাম সেক্টরদা লান্মী অনী অঙম্বা চীংমায়দা নান্থবদগী থিবা খঙখিদ্রে। হন্দক্তা ষ্টেটকী মফম অয়াম্বদা উন তারকখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কুম অসিগী অহানবা ওইনা শ্রীনগরদা উন তাবা হৌখি। উন তারকপদগী শ্রীনগরদা কা হেন্না ঈংবা হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লু হল্লে। পির পঞ্জাল রেঞ্জদসু হৌজিক হৌজিক উন তাবদগী লম্বীদা চাখোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রি।

THE KUMBI AWANG HIGH SCHOOL, KUMBI
(Recognised by the Board of Secondary Education, Manipur)
ADMISSION OPEN
NURSERY TO CLASS X
2018-2019
For more details contact : KAHSDC, Kumbi
Regd. No. 27 of 2002 -03
HL-P/4818/15

MAHEIROI EIKHOIGEE BOARDING CUM TUTORIAL HOME
KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI, NEAR REGULAR ENGLISH HIGH SCHOOL
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
FOR CLASS VI TO X
SUBJECTS: - ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE, MATHEMATICS Etc..
Class commencing from: 25th Dec.,2017
Last date of admission: 23th Dec.,2017
Class timing: 4.00 pm to 7.00 pm
Contact Nos. 9856392317 7085205042
Also Available Boarding facilities from Class I - X
HL-P/208/11-15Dec.

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - Class X Revision Starts: 7th Dec. 2017 Time : 11:00 am - 4:00 pm
Foundation Course for Class VI to X Starts: 21st December 2017 (Morning & Evening) Limited Seat
TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M. D/o. M. Humeshwar & R.K. Raina
4th Position Rozaria Th. D/o. Th. Joychandra & R.K. Mirabai
4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi
6th Position Micheal A. S/o. A Hemanta & Ranjana Devi
8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi
9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur Rh & Mrs. Sakila
9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh. & Y. Renubala Devi
9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.
13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhagat Th.
14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar
15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh
17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro
20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta
21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol
21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba
21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak
22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei
23rd Position Ng. Babyka D/o. Ng. Bikramjit
23rd Position Meghila T. D/o. T. Meghachandra
TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram
2nd Position Naorem Suzanna
3rd Position M. Vasundhara
8th Position Wosoron C
9th Position Sindia A
10th Position Yaisana A
10th Position Chetanna RK
11th Position Selina K
12th Position Malemnganbi Kh
12th Position Joyson Haokip
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Thomson Saka
25th Position Taibanganbi Kh
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Pliz Contact : 9856988840 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/4253/3Nov-2Jan..